

ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ ꯁ꯭ꯄꯣꯔꯠꯁ

# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস



Friday, March 12, 2021, Imphal




কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইখিবনা মরম ওইদুনা মার্চ ২৫দা দুবাইদা ওমানগা শান্নগদবা মেটচ অমদি মার্চ ২৯দা য়ু এ ঈগা শান্নগদবা ফ্রেন্দলি মেটচ অদুসু য়াওবা ঙম্লোইদৌরিবা ইন্দিয়াগী নুপাগী ফুটবোল টিমগী কেপ্টেন সুনিল ছেট্রি

মমাংদা ইন্দিয়ন ওলিম্পিক কম্মিটিগী প্রসিদেন্টগী থৌদাং পুদুনা লাকখ্রবা মতুং হন্দক্তা নৌনা প্রসিদেন্ট ফমগী মীফমদা ভোট ৯৪গী মনুংদা ৯৩ ফংদুনা চাওনা মায় পাকপা ঙমখ্রবা মশাগী চহী ৬৭ শুরবা থোমাস বেক

## নেসনল ফেন্সিং চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়ারুগদবা মণিপুরগী নুপা অমদি নুপীগী টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১১ (ঐচএনএস):

ফেন্সিং এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়াগী লমজিং মখাদা ফেন্সিং এসোসিএসন উত্তারাখন্দনা শীন দুনা থা অসিগী ১৫দগী ১৭ ফাওবা রুদ্রপুরগী স্পোর্টস ষ্টদিয়মদা পাঙথোক্কদৌরিবা ২৮শুবা জুনিয়র মেন এন্দ ৱিমেন নেসনল ফেন্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০২০-২১দা শরুক য়ারুগদবা মণিপুরগী নুপা অমদি নুপী শান্নরোয়শিং ওফিসলশিংগা লোয়ননা ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

মণিপুরগী মহুৎ শীনগদৌরিবা নুপী ফেন্সনরশিং অদুদি চজিং পুখ্রি অচৌবা মপালদগী খুসবুরাণি লাইশ্রম, সুগ্নু মখা লৈকায়দগী ৱাইখোম সোনিয়া, থরোইজম মনিং লৈকায়দগী গুরুময়ূম প্রিলক্সমি অমদি সুগ্নু ৱাপোকপিদগী লোইতোংবম নিরমলানি।

শান্নরোয়শিং অসিনা ফোইল ইভেন্টতা শরুক য়াগনি। অৱাং সেকমাই ময়ায় লৈকায়দগী মহারাবম ষ্টেলা, কোংবা উচেক্কোন্দগী ওসিনি কোন্থৌজম, থরোইজম ময়ায় লৈকায়দগী ফমদোম বিজয়া, খোংমন জোন-৫দগী কৈশাম চন্দ্রিকানা ইপি ইভেন্টতা শরুক য়াগনি।

শিংজমৈ ৱাইখোম লৈকায়দগী লাইশ্রম অবি, ক্যামগৈ খোইরোম লৈকায়দগী লৈমপোকপম অম্বিকা চনু, খুরাই কোন্সম লৈকায়দগী অবেসনা কোন্সম, থরোইজম ময়ায় লৈকায়দগী ফমদোম বেবিনা সেবর ইভেন্টতা শরুক য়াগনি।

মণিপুর টিম অসিগী ওইনা এল সমাসখিনা নুপীগী কোচ অমসুং সোফিনা টিম মেনেজর ওইগনি।

অথোই অহেন তানবা অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা নুপা ফেন্সরশিংদি কোংবা মখা নান্দৈবম লৈকায়দগী সনসম হিমেস, কোংবা উচেক্কোন কোন্সম লৈকায়দগী সঞ্জেনবম ৱাশিংতন মৈতৈ, শিংজমৈ ৱাংমা পেবিয়া পণ্ডিত লৈকায়দগী ওক্রম দেনিস অমদি লমদেং খুন্নৌ মমাঙ লৈকায়দগী চিংথাম রোনেলনা ফোইল ইভেন্টতা শরুক য়াগনি।

খোংমন জোন-৪দগী নিঙোম্বম অমরজিৎ মৈতৈ, কোংবা নান্দৈবম লৈকায়দগী ৱাহেংবম নিকাস লুৱাং, থোংজু পার্ট-২দগী য়োহেনবা ৱাইখোম অমদি কোংবা উচেক্কোন কোন্সম লৈকায়দগী কাঙবম কানেনা ইপি ইভেন্টতা শান্নগনি।

ক্যামগৈ মমাঙ লৈকায়দগী সেরাম চীংখৈঙানবা মৈতৈ, শিংজমৈ ৱাংমা পেবিয়া পণ্ডিত লৈকায়দগী ওক্রম দিঙ্কাস, নাওরেমথোং তখেল্লম্বম লৈকায়দগী য়েংখোম জিপসন অমদি বাসিখোংদগী মেক্সি থোকচোমনা সেবর ইভেন্টতা শান্নগনি।

নুপাগী টিম অসি ঐচ সুরঞ্জয়না কোচ ওইবগা লোয়ননা শরতনা টিম মেনেজর ওইগনি হায়রি।

## ৱাই ভি ও অমসুং পি য়ু সী সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১১ (ঐচ এন এস) : ওদেসিয়স গ্রুপ য়াইরিপোকনা শীন্দুনা চথরকপা অনীশুবা ওদেসিয়স কপ মণিপুর ষ্টেট ওপন (ইন্টর ভিলেজ) ১১-এসাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা ক্বার্টর ফাইনেলদা ৱাই ভি ওনা লক্কী ষ্টারবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে। অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা পি য়ু সী ফুন্দ্রে অমসুং এ এন দি সী ঙারিয়ান লম্বা তৌনবদা পি য়ু সী ফুন্দ্রেনা পাঞ্জল ৪-২দা থোইরগা মখোয়সু সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখি।

## মালেম এফ সী সেমীফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১১ (ঐচ এন এস) : ভিলেজেস কম্মুনিটি প্রোগ্রেসিভ কম্মিটিনা শীন্দুনা পাঙথোকপা অহানবা ভি সী পি সী ট্রোফি ২০২১ মণিপুর ষ্টেট ওপন ৯-এসাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা ক্বার্টর ফাইনেলদা মালেম এফ সী কৈশামনা শরুক এফ সী চঙমদবীবু পেনাল্টি শুট আউটতা মায় পাক্লুনা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

মেটচ অদুগী অপীবা মতম লোইশিল্লকপদা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমমম্ চন্নরগা লৈখিবদগী কাঙলোনগী মতুংইন্না কিক ফ্রোম পেনাল্টি মার্ক চথরকপদা মালেম এফ সী কৈশামনা ৪-২দা থোইখি।

## অনীশুবা ইপুথৌ পুরৈরোম্বা কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, মার্চ ১১ (ঐচ এন এস) :

ইষ্টর্ন লায়ন ক্লব নোঙাদা অমদি ইষ্টর্ন য়ুনিক ক্লব কামেং খুঞ্জাও অনীনা পুন্না শীন্দুনা মথং থাগী ৫দগী অনীশুবা ইপুথৌ পুরৈরোম্বা ২০২১ ওল মণিপুর মেন্স ওপন ৭-এসাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি হায়না টুর্নামেন্ট কম্মিটিগী মায়কৈদগী প্রেসতা খঙহল্লক্লি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ফোর্ম পীশিনবগী অরোইবা নুমীৎ চৎলিবা থা অসিগী ২৭তা ওইগনি। লোয়ননা এদমিসন ফীনা লুপা ৬,০০০নি হায়রি। ফোর্ম পীশিল্লক্কবা ক্লব অমদি ওর্গনাইজে সনশিংগী শান্নরোয়শিংগী মরিক চুম্বা লিষ্টশিং অদু ফংলবা মতুং এপ্রিল ৩গী নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা ফিক্সর অদু দ্রো তৌগনি হায়রি।

টুর্নামেন্ট অসিদা ক্লব/ওর্গনাইজে সনশিংনা শরুক য়াবীনবা অমদি শান্নরোয়শিংবু থৌগৎপা ওইনা মায় পাকপা টিমদা শেলগী মনা ওইনা লুপা লাখ ১ পীগনি। রন্নর্স অপ তাবা টিম অদুদনা শেলগী মনা ওইনা লুপা লিশিং ৭০।

টুর্নামেন্ট অদুদা খ্বাইদগী দিসিপ্লিন ফজবা টিমদা শেলগী মনা ওইনা লুপা লিশিং ৫সু পীগনি। লোয়ননা খ্বাইদগী ফজবা শান্নরোয় অদুগীসু শেলগী মনা ওইনা লুপা লিশিং ৫ পীগদৌরি। খ্বাইদগী ফজবা গোল কিপর অদুগীসু শেলগী মনা ওইনা লুপা লিশিং ৫ পীগনি হায়রি। অদুগা টুর্নামেন্ট অদুদা খ্বাইদগী পাঞ্জল য়াম্না চনবা ঙম্বা শান্নরোয় অদুগীসু লুপা লিশিং ৫গী শেলগী মনা পীগনি।

## টি ৱাই দি এনা এল ৱাই এন্দ এস সী গোল ২-০ দা মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১১ (ঐচ এন এস) :

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টর্স এসোসিয়েসন বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা হৌজিক হৌজিক চথরিবা ১৫ শুবা লেট এন বালানন্দ মেমোরিএল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা টি ৱাই দি এনা এল ৱাই এন্দ এস সীবু গোল ২-০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

টুনার্মেন্ট অসিগী ১৬ শুবা মেটচ ওইনা বিষ্ণুপুরগী মিনি ষ্টেদিয়মদা ঙসি টি ৱাই দি এ অমসুং এল ৱাই এন্দ এস সী অয়ুক পুং ৭ তাবদগী শান্নখিবনি। মেটচ অদু হেক হৌরকপদা টিম অনীমক্না য়াম্না ফজনা শান্নখি। অদুবু মেটচকী ১১ শুবা মিনিটতা টি ৱাই দি এগী জর্সি নম্বর ১২ সুরজ ৱাংখেমনা মেটচ অদুগী অহানবা গোল চন্দুনা টি ৱাই দি এবু মাঙজিন থাহনবতা নত্তনা মায় পাকপগী লম্বীদা পুশিনবা হৌখি।

টি ৱাই দি এনা মাঙজিন থারিবা গোল অদু হন্দোক্লবা এল ৱাই এন্দ এস সীগী মায়কৈদগীসু কন্না হোৎনরকখি। অদুবু গোল অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈদা সুরজ ৱাংখেমনা মেটচকী ২২ শুবা মিনিটতা মহাক্কী অনীশুবা গোল চন্দুনা টি ৱাই দি এবু গোল ২ মাঙজিন থাহনখি।

মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফতা টি ৱাই টি এনা গোল ২ মাঙজিন থাদুনা লৈখিবা অদু মেটচকী অরোইবা মীৎকুপ ফাওবদা হন্দোকপা ঙমদবদগী এল ৱাই এন্দ এস সী মায়থীবা নংখিবনি।

## এস টি সী-সাই উৎলৌ অমসুং য়ু কে সী সী এল মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১১ (ঐচ এন এস) :

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা বিষ্ণুপুরগী মিনি ষ্টেদিয়মদা চথরিবা অহানবা লেট থোকচোম ইবোপিশক (নিংথৌরেন) ফাষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০২১ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা এস টি সী-সাই উৎলৌ মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ২৪ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.১৫ তাবদগী এস য়ু এফ এম অমসুং য়ু কে সী সী এল শান্নখি। মেটচ অদু হৌরকপা কুইদ্রিঙৈ ১১ শুবা মিনিটতা য়ু কে সী সী এলগী জর্সি নম্বর ৩ অনিলনা মেটচ অদুগী অহানবা গোল চন্দুনা মহাক্কী টিম্বু মাঙজিন থাহনখি।

গোল অদু হন্দোক্লবগীদমক এস য়ু এফ এমগী মায়কৈদগী অকনবা কাউন্ট এটেক চথরকখি। মেটচকী ১৮ শুবা মিনিটতা এস য়ু এফ এমগী জর্সি নম্বর ৮ বোবোইনা গোল অদু হন্দোক্লুনা মেটচ অদু গোল ১-১ দা ইক্কেলাইজ তৌখি। অহানবা হাল্ফ লোইরকপা ফাওবদা টিম অনীমক্না অহেনবা গোল অনীমক্না চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরক্লবা মতুং মেটচকী ৩৭ শুবা মিনিটতা য়ু কে সী সী এলগী জর্সি নম্বর ১৭ অনন্দনা মহাক্কী টিমগী অনীশুবা গোল চনখি। য়ু কে সী সী এলনা মাঙজিন থারিবা গোল অদু মেটচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা এস য়ু এফ এমনা হন্দোকপা ঙমদনা গোল ২-১ দা মায়থীবা নংখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১৯ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৩ তাবদগী এস টি সী-সাই উৎলৌ অমসুং এফ সী-টি ৱাই দি এ তৌবুল শান্নখি। মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্না গোল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। অদুবু মেটচ অদু লোইশিল্লকপদদি এস টি সী-সাই উৎলৌনা এফ সী-টি ৱাই দি এ তৌবুলবু গোল ২-১ দা মায়থীবা পীখি।

এস টি সী-সাইগী গোল ২ অদুনা টি কেলবিন অমসুং টি রোসননা চনখিবনি। অদুগা এফ সী টি ৱাই দি এগী গোল অদুনা এস দি সী সাইগী দব্লিউ গাংগুলিনা চনখিবা ওন গোলনি।

## ৱাই দব্লিয়ু সীনা ৱাই য়ু সী সীবু ৱিকেট ৫দা থোইবা ঙমখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১১ (ঐচ এন এস) :

মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা চথরক্লিবা ১৮শুবা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ১৩শুবা মেটচতা ৱাই দব্লিয়ু সীনা ৱাই য়ু সী সীবু ৱিকেট ৫দা থোইবা ঙমখ্রে।

মেটচকী টোস ৱাই য়ু সী সীনা ঙমদুনা বেটিং হান্না তৌরকপদা ওভর ৩০দা বেটসমেন ৯ আউট ওইরগা রন ১৩৭ লৌবা ঙমখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী হিমটনা রন ৫৩ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি। ৱাই দব্লিয়ু সীগী বোলর প্রিয়োকুমার অমদি কুমারজিৎনা ৱিকেট ৩/৩ লৌবা ঙমখি।

মেটচ অদু মায় পাক্লনবা ৱাই দব্লিয়ু সীগী মায়কৈদগী রন ১৩৮ লৌনবা হোৎনরকপদা ওভর ২১গী ৩শুবা বোলদা টিম অদুগী বেটসমেন ৫ আউট ওইরগা য়ৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু মখোয়না ৱিকেট ৫দা থোইখিবনি। টিম অদুগী বেটসমেন জোদিবানা বোল ৫০দা রন ৭৬ লৌবা ঙমখিবা অদুনা মেটচ অদু মায় পাকপগী অচৌবা মরম অমা ওইখি। টিম অদুগী শান্নরোয় অলাইসু রন ২৮ লৌরমদুনা অচৌবা মতেং অমা পীখি। ৱাই য়ু সী সীদগী বোলর সোমোরজিৎনা ৱিকেট ২, অদুগা মনি অমসুং মাইসননা ৱিকেট অমমম্ লৌখি।

**HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE**

**Puzzle 49 Ans. :**

**21**...Qxf2+ **22.**Kxf2 Ng4+ **23.**Kf3 e4+ **24.**Kxe4 Ndf6+ **25.**Kf3 Ne5+ **26.**Kf2 Nfg4+ **27.**Kg1 Be3#


